# ‘সূ’ দা ইনরিবা চৎন-কাঙলোন ১০০% থুগাইরবা ফাওবা ফোর্সশিং করি য়েংলিবগে?



**— মুতুম শান্তি —**

**(শোখরবশিংদা কখোকচরি)**

লৈবাক মীয়াম ঐখোয়না ৱাখল খন্থহৌদবা, চেকশিলহৌদবদগী থোক্লিবা থৌদোক অসিবু মালেমগী করম্বা মফমদা থোকখ্রবগে? ইন্দিয়াগী ৱাংমদগী লাকপা ফোরেন্নর, রিফ্যুজি কুকিশিংবু ‘সূ’ এগ্রীমেন্ট কোংগ্রেসনা পীরিবা করিগীনো? এস টিসু লৈবাক্কী য়েলহৌমী নত্তবা কনাগুম্বা অমদা পীবা য়াবা নত্তে। তুংগী ৱাখল খনবা ঙমদবা, লাইরিক-লাইশু মতিক চানা হৈত্রবা, মীশক খঙদবা, কুপ্না থিজিনবা ৱাৎপদগী লৈবাক মীয়াম ঙসিদি করি শারে। ইলেক্সন মতম লাকপদা চরাংনখিবা, চখৎনখিবা, নম্বর ফোর লল্লোনবা, গঞ্জা লল্লোনবা, ঠিকাদার, কোর্টতা কেস চেন্নবা মফম মরাং খঙদবা মীওইশিংদা লৈবাক শিন্নবা হৌনব্রা? ইলেক্সনদা শেল য়েনবা, লৌবা কুম্মৈদুগী রিজল্টনি। ইশানা-ইশাবু মশক খঙজদবা, মীরমগী পার্টি ময়াম অমগী দ্রামা শান্নফম ওইহল্লিবা কনাননো?

ঐখোয় মীয়াম্নি। লৈবাক অমদি মীয়ামগী মীনুংশি মচেৎ অমা ফাওবা চেন্দ্রবা ময়াম অমা মশক থোক্না উরেদনা লৈবাক মীয়াম্না। কোংগ্রেসনা ‘সূ’ এগ্রীমেন্ট পীথোক্লম্বনা মীতৈ ঐখোয়গী ঈনা লৌখোং চেল্লবসু ৱাখল খন্থদবা মীতৈ মচা কয়া থোরক্লি। হন্দক্তি বি জে পি কাররোই, কোংগ্রেস কারনি চোংশিনবা হৌরে। মীতৈ লোইশিনগে থৌরাংলি খন্থবীয়ু। লৈবাক নুংশিবা নত্তে। লৈবাক মাঙহনগে খনবা মীতৈ মচাশিংনি। চোংথোক চোংশিন তৌরিবা নমা লৈবাক নুংশিবা খঙউ। ময়াংগী মনাই ওইনীংবা ওইরগনা ময়াং লমদা চৎপীখ্রো।

করিসু খঙজদবা মীয়াম্বু অমুক হন্না লৈনুংদা নমশিনবীরনু। থবক শূনীংদনা মীগী মরল-মথুম পাল্লিবা করিগীনো? মীয়াম্বু অপঙবনি খনগনু। ষণ অতেবনা ৱাইবা শৰ্দ ফংই কাউগনু। থবক শূকশু শূদনা শেল য়াম্না পাল্লবদি মনাই ওইবা তাবনি। ময়াংগী মনাই ওইদুনা ঐখোয় কয়াম কুইনা হিংখিসিগে? কুমজা ১৯৪৯দগী মীখা পোন্দুনা মীঙোন্দগী ঙসি ফাওবা নিরগা হিংলিবা পূন্সি মহিং অসি পেন্দ্রিবরা? মনাই ওইনা হিংগদবগী শরুক মপু ওইনা নোংমা খক হিংলল্লগা শিখিবনা শরুক চাম্মা হেন্না ফৈ।

কোংগ্রেসনা ভোটতা শেল য়েনবগী চৎনবী লমদসিদা ইহান হান্না হৌদোকখি। করপসন হায়বসি কোংগ্রেসনা তম্বীরকখি। মীয়াম্বু তীল-কাঙগুম উরিবা কোংগ্রেসনা পীথোক্লম্বা ‘সূ’ এগ্রীমেন্টনা মীতৈশিং ঈগী লৌখোং চেলহনবনি। কুমজা ২০০৫গী ওগষ্ট ১দা আর্মি অমদি কুকি মিলিটেন্ট অনীনা অহানবা ‘সূ’ এগ্রীমেন্ট খূৎয়েক পীনখি। কুমজা ২০০৮গী ওগষ্ট ২২দা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট, মণিপুর গভর্ণমেন্ট অমদি কুকি মিলিটেন্ট পূন্না খূৎয়েক পীনখি। মীয়াম্না কোংগ্রেস পালহল্লুবদো করি শারে। কুকিগী লাংদা মীতৈ থুরিবসি, ঈখেং চেন্থরিবসি কোংগ্রেসনা থোকহনবনি। হৌজিক কোংগ্রেসতা চংশিল্লিবসি লেমহৌবা মীতৈ খুজোক খরদু হাৎকদৌরিবনি। লৈবাক কনবা থোরকপা নত্তে।

বি জে পিনা মীয়াম খঙহন্দনা পীথোক্লম্বা গেজেট নোটিফিকেশন কুমজা ২০২২গী সেপ্টেম্বর ২৩, ইরাই নুমিৎতা থোকপা গেজেটসিদা অসুম্না ইরি, মীতোপ খন্দোকপগী বেজ য়র ১৯৫১ ওইরম্বদু ১৯৬১ ওইরে। অমনা মণিপুরদা লৈরিবা ত্রাইব খুদিংমক য়েলহৌমীনি হায়না গেজেট অসিদা ময়েক শেংনা ফোঙদোক্লি। ফোঙদোক্লিবা ৱাফম অসিনা করম্না মীতোপ খন্দোক্কনি। লমদমসিদা মীতোপ চঙশিল্লক্লিবা ময়ামসি ভোট লেপ্পা মশাগী খক খনবা, ভোট কাননবা হোৎনবদা মীতোপ্পু ভোটর ওইহল্লি। লৈঙাক্কী চহী ১০ খুদিংগী মীকোক থিহৌদবনা মীতোপ্না পীক থনখ্রে। গেজেট নোটিফিকেশন অসি লৈনা-লৈনা মীকোক থিরবদি মীশিংগী মতুংইন্না তম্পাক্তা লৈরিবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি (এ সী) মশীং হন্থরক্কনি খন্থবীয়ু।

মমাঙথক্তা চীংগী শরুক্তা নাগাগী এ সী ১২, কুকিগী এ সী ৮ লৈরম্মী হায়রি। মীকোক থিবদা কুকিনা মশীং হেনবদগী নাগাগী এ সী ১০, কুকিগী ১০ ওইখিবনি। হৌজিক্কী লৈবাক্কী ওইরক্লিবা ফীভমসিদা মীকোক থিরবদি তম্পাক্কী এ সী মশীং হন্থরগনি, মীতৈশিং ৱাখল খন্থবা, চেকশিলহৌদবা মীৎকুপ্তা লৈবাকসি কাং-খোং চাইগনি। লৈঙাক অসিনা মীয়াম হৱাউনবা, অফবা থবক তৌরে হায়নবা কুমজা ২০২৫দা মীকোক থিবা হৌরগনি লাউথোকখ্রে। ৱাফম অসিনা নমদুনা মীকোক থিখ্রবদি মীয়াম অৱাবদা অৱাবা তাগনি। তুংগী পূন্সিদা অকায়বা য়াম্না ওইরক্কনি ৱাখল তাবীয়ু, চেকশিনসি করম তৌসিগে পূনশিন্দুনা খন্থসি। লোইখ্রগা ঙাপ্রুম মমৈ খুজিল শিকপগী খোঙফম ওইদুনা তোক্কনি।

লময়ানবা ইরাবতকীদমক থা অমা চূপ্না খুরুম্লবসু লময়ানবনা অপূনবনা জয় ওই হায়বীরম্বা ৱাফমদুদি নীংশিংদুনা পূক্নিং চিংশিনবীবা মীতৈ মচা য়াওদে। প্রমান হায়ববু মীশি-মীনানা পীক থল্লবা অসিফাওবা পূনশিনবা ঙমদ্রবদা করম্বা কনাগী মতমদা পুনশিনগনি লুদ্রা? লৈঙাক পায়রিবা ফম্নাইবশিংগী মতৌনে, সী এস ওশিংগী মতৌনে মীচম ঐখোয়দি তৌফম খঙদ্রে। লময়ানবগী শক্তমদা চহী অমা চূপ্না থৌরম পাঙথোক্লবসু থাজদ্রে। মীতৈ ঐখোয় পূনশিন্দবনা ইকায়খুম্নদ্রে। অফবা লৈবাক্কী ওইবা অচুম্বা লম্বীদি খক লাক্করোই। পূনশিল্লবদি অপূনবগী শক্তিনা লৈবাক অসি ঈংনা-চিক্না পানগনি, চাওখৎপগী মায়কৈদা খোঙজেল য়াঙগনি। ফীভমসিদা অসুম লৈরবা তুংদা অফবা ওইরক্কনি থাজদে।

লমদমসিদা করম্বা মতমদা থম্মোয় শেংবা, কখোকপা ঙম্বা মীওই লাক্কনি ঙাইনরি। লাকখিগদ্রা, ঙসিগী পূন্সি মহিং অমদি লিংজেল মান্নদবগী শক্তম অসিনা অৱাবা ওইরি। করম্না কনবা ঙমগনি, ইরমদমগী লানবুং ওইরবা লমদমসি। লৈঙাক্না তৌগদবা মথৌ তৌদবনা মীচম মীয়াম্না খুল ঙাকপা থোক্লকপনি। লৈঙাক্লোইশিংনা খুল ঙাকপশিংবু হূইনা খোংগদবদা গধানা খোংবগী গধা চৈ চাবগী ফীভমদা ওইরি। খুল ঙাকপশিং লৈঙাক্না ফারিবসি অথুবদা লেপকদবনি। থোক্লিবা থৌদোকসিদা খুল ঙাকপা লৈরমদবা থোক্লবা মীতৈ করম তৌরগনি। খুল ঙাকপদি নুংশিবীগদবনি। কনাগীসু য়েক্লবা নত্তে। ইমা লৈবাক্কীদমক কখোকচবনা মখোয়গী মশরুক্লি। মীতোপ্না কোইশিল্লকখ্রবা লমদমসিবু লৈঙাক্কী থৌওংসি মীয়াম্না পেন্দ্রে। ইতিহাসতা ময়েক শেংনা লৈহৌরসনু।

লৈবাক কায়বা য়াবা এগ্রীমেন্ট, গেজেট নোটিফিকেশনশিং মফম মরাং খঙদনা পীথোক্লম্বা অরুবা কয়ানা লান অসিগী মৈচম ওইনা মৈরি থোক্না চাক্লিবা মণিপুরনি। মীয়ামদা নীংশিংজরি। লৈঙাক্না মীকোক থিদ্রিঙৈ মমাঙদা এন আর সী হান্না পায়খৎকদবনি। মীকোক হান্না থিবা য়াদে লৈঙাক্না ৱাখল তাবীয়ু। ঐখোয়গী লমদমসিবু অফবা ৱাফম অমা হায়রবদি কন্না কন্না লাউই। অফবা থবক অমা পাঙথোকপদা অশাউবা শক্তম উৎত্রবদি হায়বদি মশানা খঙনা মথৌ তৌদে হায়বনি। মীয়াম হাৎলবা ফাওবা লৈঙাক্কী মথৌদি করিসু পাঙথোকপা ঙমদ্রে। লো এন্দ ওর্দর লৈত্রে। মীয়াম্না মীখল লাকপদা ইমুং পূন্নমক কূপ্না ৱাখল খন্থবীয়ু। চীংমীশিংদি লিদরনা হায়রগা পূন্না ভোট থাদবগী চৎনবী ওইরি। ১৮শুবা লোক সভা মীখলদা কুকি ইনপিনা নোটিশ অমা থোকখি। অসুম্না থোকখি কোংগ্রেসনা কুকিশিং কোংগ্রেসতা ভোট পীয়ু নখোয়গী অপাম্বা পীগনি হায়রে। মরম অদুনা কুকি ইনপিনা থোকপা নোটিশকী মতুংইন্না কুকি ১০০% থাদগদবনি। অইবীনা মীয়াম্বু নোল্লুকচরি। ●

# মরোই মখোঙ য়াল্লিবা লৈঙাক




**- খোইস্নাম ধিরেন মীতৈ -**

মণিপুর সনা লৈবাক্নি। মমৈ মক্রাং লোল্লবা, কিজবনা থক-থক নিক্লবা হূইশিংনা লৈঙাকপা লমদমনি। শিহৌদনবা লোৎপনা অমত্তা ঙাইরবা মখোয়গী মথৌদাংনি। মায়কৈ অমরোমদনা হূইদা চৈ থাগদবনি খঙজদ্রবা থৌনা ফবা গধাশিংনা খূৎলিংদুনা হৌনা-হৌনা খোঙবা লমদমনি। য়েংবীয়ুদো, কুকিশিংনা হাইনা-হুম্না শান্নজবা মফমসে য়েলহৌমী ময়াম্না কোইচেন চেন্দুনা কপ্না-কপ্না হিংবা মফম্নি। অসিগুম্বা ইরমদমসিদা চহী কয়া হিংমিন্নরক্লিবা কাঙলূপ-ফূরুপ অতৈনা করি-করি হুরানহৌবা য়াবগে হায়দুনা থিবদা অহিং তূম্নদ্রবা ইরমদমনি। কয়াদা নুংঙাইরবা মফমনো। দেল্লীগী বি জে পি লৈঙাক্না মণিপুরগী বি জে পি লৈঙাক্কা মীকুপ খুদিং পাউ ফাওনদুনা মণিপুরগী য়াইফনবা হোৎনবীরিবা। কুকি তরা শিরে তাবদা অহিং নোংয়াইদা লাম্মী হোঞ্জিনলক্লিবা দেল্লীনা য়েলহৌমী মীতৈ কনবীরগনি খল্লিবা ঐখোয় মীতৈশিং করি হায়না মীঙ্গৌরসিগে, অমাংবদা হিংবা তীলদুগুম্বনি।

পূম্নমকসি ঐনা হায়বা ৱা নৎচদে। খুরা য়াইমনা হায়বনি। মীয়ামগী মীহুৎ হায়বসি মীয়াম্বু ঙাকপী শেনবীবগী থৌদাং লৌরিবা হূই মখল অমনি। মণিপুরদা কুকি হায়বা মীহিং চাবা শা মখল অসি চঙলকপদা মথৌনা পুথোক্তুনা খোংগদবসি হূইনি। খোঙবদা কিদদুনা চঙশিল্লক্লবদি চোংশিন্দুনা লাক্কদবনি। মদুদতা কুকি কৌবা শাদু চেনখিগদবনি। ঐখোয়গী লৈঙাকপা হূইশিংদি লান অসি হৌরকপদগী মমৈ মক্রাং লোল্লগা য়ূমগী মাঙ্গোল কাচিন্দা তাশিল্লগা কুন্দুনা লৈনখ্রে। মরৈ ফাওবা তিংথোকপা কিজরে। শ্বর হোল্লি হায়বতা মঙাইজরে। নুংশিদবদি ঙমদেকো নখোয়সে, ঐখোয়না লোয়জবা হূইনিনা। মাঙখিবসু নুংঙাইতে। অমুক্তদি খোংলক-উ গবা ঐখোয়গী লুচিংবশিং। নোংমতদি শোয়দনা খোংলক-উ কো হে লৈঙাকপশা। খোঙগদবা হূইনা দেল্লী কিজদুনা খোংদ্রবা। নোংমৈ কাপ্তৌবা লৈঙাক্কী থানানা হৌদোং চি থুংবদৌনা ফুঙ্গাদা কুনবদগী হেন্দোক্ত্রবা অসিদদি ইমা লৈবাকপু নুংশিজবা গধা ময়াম্না ইরমদম কন্দবা য়াদে হায়দুনা নোংমৈ লাক্লগা হৌনা হৌনা খোংলিবনি। হূই লৈনা-লৈনা গধানা খোংই হায়দুনা থৌনা ফবা ইচা কয়া এন আই এগী ময়াদা তারিবনি। খোংদ্রবা হূইবু খোংহনগে হায়রবদি থৌনা ফবা গধাশিংনা কৈশাল হেক ওল্লগা হূইগী লুসমদা লাক্লবদি ...ক্কেঙ...ক্কেঙ হায়দুনা কোইচেল চেল্লগা খোংগদবনি। লুসমদা লাক্তুনা হাইবগী চৈনা খাঙবদা দেল্লীকা কিজবা কাউথোক্কদবনি। মসিমক্তি ওইদ্রে। পূম্নমকসে কনানবু ৱারৌরুনি। হূইসু ওইসনু, গধাসু ওইসনু, হৌদোং চি থুংবসু ওইসনু ইরৈপাক ইরমদম অসিবু নুংশিবা ইরৈচা ঙাক্তনি হায়বসি ঐখোয় ইশা ইশানা অদুম হায়জরিবসিনি।

লৈঙাক্না লান অসি খামদুনা লেপহনবা ঙমদ্রবসু মণিপুরগীদমক থৱায় থাখিবা মীতৈ অথৌবা কয়াদি পুথোকপা ঙমখ্রে। লুখ্রাবী কয়াদা মশাগা চান্নবা লৈঙাক্কী থবক পীগনি হায়খ্রে। মমা-মপা লৈখিদ্রবা অঙাংশিং লেম্না মহৈ তমহনগনি হায়বসু তাখ্রে। লৈঙাক অসি লৈবগী কয়াদা নুংঙাইজরবনো। লৈঙাকসিনা মীয়ামগীদমক হোৎনদে হায়বদি তশেংনা লাল্লগনি। য়েলহৌমীশিংগী মরুওইবা লাইফম ওইরিবা থাংজিং চীংবু কনবা হায়বসিমদি চীংসি য়াম্না ৱাংবনিনা খরা ৱাগনি। কৌব্রু চীংসু অদু মঙাই। অৱাংবা চীং ওইরম্বনিনা মসিসু পাক হেক কনবা য়ারোইদৌরিবনি। পূম্নমকসি য়েংলবা মতুংদা ঙসিগী লৈঙাক অসিনা খরা নেম্বা চীং থিরগা কন্ননবা থবক খোঙজেল য়াঙনা চঙশিল্লক্লি। হৈবোক চীংদা পোপি পান্বী থাজিল্লক্তনবা রেজর্ভ ফোরেষ্ট ওইহন্দুনা পাক শন্না উ-পান্বী থাগদৌরিবনি। চীং অচৌ-অচৌবমখৈ কুকিনা মখোয়গীনি হায়রবসু চীং মচা-মচাশিংদি মখোয়না করিমত্তা হেঞ্জিল্লকপা য়ারোই। লৈঙাক অমা লৈ হায়বসি হৈবোক চীংগী চীংয়াদা খুন্দারিবা মীপূম খুদিংমক্তা খঙহনগনি। করিগুম্বা মওং অমত্তদা য়াশিন্নবা তৌরোই। থাগৎনীংঙাইনি লৈঙাক মপুগী মথৌনা। ইম্ফাল ৱেষ্টকী মালোম ওইল দিপো মনীংলোমদা লৈরিবা বমদিয়রগী মচিল-মনাও চীংসু য়াম্না পীকপনিনা রেজর্ভ ফোরেষ্ট ওইনা লাউথোকপদা খুদোং চাগনি। অথুবদা থবক পায়খৎলক্কনি থাজে। লৌবুক ময়ায়দা লাইফমনি হায়দুনা থায়নদগী লৈরকপা লৈতোঙশিংসু লৌরোন্নবনা লৌরি য়ানশিল্লকপদগী কান্ননবা রেজর্ভ ফোরেষ্ট লাউথোকপদা য়াওবিরবদি খরগা হেন্না কান্নগনি। খরা কান্নবগী হাইরুরবদি জ্বারদা লুপা লিশীং কুন-কুন্থ্রা থাদোক্লুরবসু য়ূমদা হল্লক্তুনা মরোই মখোঙ য়ানবসি করিমত্তা কান্নদে হায়বা য়ারোই। মসিগী য়ূম্বানসিনি মণিপুরগী য়ূম্বান। ●



# কংলৈপাক্কী মপারি

**- ফৌকৈশংবম ওংবী ইবেমলৈ-**
**হোজাই, অসাম**

খুরুমজরি কংলৈপাক, খোয়ুম লাইয়াম পূম্নমক্না থৌজালবীবা ওইরসনু। লোয়ননা পজেং-খুরৌ থাংদনা তংদু লৈতাবা পূন্সি মরেল অমদা নাওকোনবীয়ু হায়না অমুক্সু হন্না পুনেমজরি। ঙসি ঐহাক্না ওজা বিমোল অমসুং আউটর মণিপুরগী ওজা অলফ্রেদ কানঙম এস অর্থর অনীনা পার্লিয়ামেন্টতা থন্বীখিবা স্পিছ অদুগী মরমদা ৱাহৈ অম’নিদং থমজগে, অরাল-অশোয় খুদিংমক ঙাকপীগনি। লোয়ননা অচুম-অরান, খঙদ-হৈতবা তাকপী-তন্বীরকপদা পূক্নিং চিংশিঞ্জরি। অদুগা খঙ-হৈরবা ওজাশিংনা নঙনা করি খঙদুনা হায়রিবনো হায়বনচিংবা কয়া পনবীরকপসু য়াই। অদুবু ঐগী ৱাখলনা লাম্বা ফংবা অমদি পেঞ্জদবা খজিক্তং ময়ামগী মফমদা থমজবনি। লান্নসু লৌবীগনু, ঐহাক কনাদসু মীচং শঙ্গ নাইজদে। অদুগা ওজা অনীনা মাগী-মাগী কলচরগা লোয়ননা য়াম্না ফজনা ৱাশক-ৱারেপ থন্বীরম্বগী নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি। অসিগীসু মথক্তা ওজা বিমোলনা মীতৈ ঐখোয়গী অশেংবা লাইনীং-লাইশোনগা লোয়ননা ইমালোলনা ময়েক শেংনা ৱাশক ৱারেপ্পীরম্বগীদমক থম্মোয়নুংদা চাউথোকচৈ অমসুং নুংঙাইবা ফোঙদোকচবগা লোয়ননা ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচরি।

ওজা বিমোল পার্লিয়ামেন্টতা ফম্বা অহানবনি, অদুবু মফমদুদা ফল্লিবা ওনরেবলশিংদুগী মরক্তা ওজা বিমোল ময়েং তাবা নত্তে হায়জনীংই। মসিগীদমক ঐখোয়না চাওথোকচনীংঙাইনি। অসিগীসু মথক্তা ওজা বিমোল পোলিটিক্সতা য়াওরকপা মীওইসনু নত্তে, অদুগা পোলিটিক্সকী ওইদ-পাদবা ঙাঙবা অমদি হুরান-চিন্থিবগী ৱাখল্লোনসু লৈরমগনি হায়বা ঐখোয়না থাজবা ঙমজদে। অদুবু অরুবা ঈশিংদা উফুল মরীক অমা তাখিবদা ঈশিং অদো মাঙই হায়বা ময়াম্না হেন্না খঙবীরিবনি। অদুম্নদি ওইরগা ওজা বিমোল ওজাগী শিনফমদা ৱাখল তানা, পূক্নিং মরা তপ্না, ঈংনা-চিক্না, অমকপা ৱাখল য়াওদনা নুংঙাইবা পূন্সি মরেল অমদা হিংজরম্মী হায়বা ময়েক শেংনা খঙজবা ঙম্মী। অদুবু ইরৈপাক ইরমদমদা থোক্লিবা তমথীরবা থৌদোক-ৱাথোক অসিদা মশাগী ওইজবা থাদোক্তুনা পোলিটিক্সকী অমোৎপা লুকমাই কৈথেলদা ইরৈপাক-ইরৈচাশিংগী অৱা-অনা অমদি পেন্দবা কয়া লুকমাইদা হাপকৎতুনা পোৎফম ফম্বা হৌরম্লবনি। মসিদা মশাগী ওইজবা থিদুনা পোপ্যুলরিটি হেনগৎনবা হোৎনরিবনি হায়না খল্লুবসু ঐখোয়গী অরানবা ৱাখল ওইগনি হায়জনীংই।

ওজা বিমোলনা পার্লিয়ামেন্টতা থন্বীখিবা ৱাহৈশিংদুদা ঐখোয় মীতৈগী ইচিল-ইনাও কয়ানা পেন্দবা, নুংঙাইতবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকপীদুনা ওজা বিমোলবু হুন্দুনা ৱাহৈ কয়া থন্বীরকপা থেংনজৈ। অসিদসু নত্তনা মীতৈ লৈবাক্তা থোক্লিবা ৱাথোক-লাম্থোক অসিসু কদোমদগী করম্না হৌরকখিবনো, করি তৌরগা করম হায়না সোল্যুশন ওইগদগে হায়বা অমসুং কুকিশিংগী মরমদসু করিমত্তসু পনবীরমদে হায়বনচিংবা পেন্দবা ৱাহৈ কয়া তাজবা ফংই। মসিদা খজিক্তং নুংঙাইজদে হায়জনীংই, মরমদি ঐখোয়গী মরক্তা লিংজেল মান্নদবা, মিথানদবগী চয়েৎনবনি হায়না খঞ্জে। অসিগুম্লবা চয়েৎনবা কয়া অসিনা মরম ওইরগা ঐখোয় মীতৈ অসি চাওখৎপা ঙমদ্রিবনি খঞ্জে। ইপা-ইপুশিংনদি থাক ৱাংনা থন্বীরম্মী, লাইরিক-লাইশু হৈজদ্রবসু ৱাখল পূক্নিং হৈ-শিংজদ্রবসু মীতৈ ঐখোয়গী লিক্লম্বুদি মরীক চুম্না থন্বীরম্মী। অদুবু মচা-মশু ওইবা ঐখোয়না মৰ্দ খুনবা হৈতবনা কাঞ্জুল মুৎননবা হোৎনরি।

মরমদি ঐখোয় মীতৈ ঙাক্তনি, ঐখোয় মশেল অমনা অমবু হুন্নদুনা লৈরবদি অতোপ্পা শাগৈনা অমুক হেন্না হন্থনা খনবতা নত্তনা খুদোংচাবা লৌননবা হোৎনরক্লনি। অদুগীসু মথক্তা ঐখোয় মশেল লিংজেল মান্নদে হায়বা লায়না খঙবা ঙমখিবনি। অদুমসু ঐখোয় মীতৈসে ৱাইখুগুম্বনি হায়বদি অমনা কাখৎনবা হোৎনরিঙৈদা অমনা চিংথনবা হোৎনৈ অমসুং পূম্নমক্না মকোক মৰ্দ ওইনীংবনা অয়াম্বনি হায়না খঞ্জে। ৱাফম অসিগীদমক লান্নদি লৌবীগনু অদুগা লুরিবদি ঐখোয়দি হৌজিক পাৎলিবনিনা অপাৎপদুদা তোংলিবা হয়িং অদু তান্থোক্তুনা অনাবদো ফনবা হোৎনবনা ঐখোয়গী ইথৌনি। ঙসি অতোপ্পা ফূরুপ-কাঙলূপকীদি ফনা য়েংথীনরবসু, নুংশিনদ্রবসু মরৈবাক মজাতিগীদমক্তদি মখোয় মশেল অমত্তা ওইনা লিংজেল মান্নবগী অপূনবা শক্তম লৌদুনা অমত্তা ওইবা অকনবা খোল্লাওনা মশাগী নীংতম্বা ফংননবা হোৎনরক্লি।

মরম অদুনা মীতৈ ইচিল-ইনাও অমদি খঙ-হৈরবা ওজাশিংগী মফমদা ইকোক নোন্দুনা হায়জনীংবদি - ঐখোয়গী অসুক লুরবা তাঙ্কক অসিদা কোংগ্রেস-বি জে পিনি হায়দুনা লৈঙাক্কীদমক্তা ঐখোয় মশেল নুংনাংনদুনা লৈররোইসি। লৈঙাক্তি লৈঙাকনি, কনাদসু থাজবা থল্লোইসি, পূম্নমক মাগী-মাগী মফমদা অফ-ফত্ত, অচুম-অরান লৈনরিবা ঙাক্তনি। অদুগীসু মথক্তা অমনা অমবু অঙম-অঙম্বা হুন্নদুনা ওইদ-পাদবা কয়াগী ইতিনফম্নি হায়বসি ময়াম্না হেন্না খঙবীরিবনি। লোয়ননা ওইদববুসু অওইবা শাননবা হোৎনবা হায়বসি পোলিটিক্সকী হৌনশানি। পোলিটিক্স হায়বসি মালেমসিদা লৈরিবা হু ময়ামগী মরক্তা অথোইবনি অমসুং অমোৎপনি। মরমদি, মসিনা মপা-মচা, মচিল-মনাও, শাগৈ-নাতৈ, মরী-মতা নুংশিনহন্দবা অমদি মরী তৎনহনবা ঙম্বা হুনি অমসুং মীগী থাজবা মাঙহনবা পোৎশক্লি। হৌজিক্কী মতমসিদা লাইনীং-লাইশোন ফাওবা অমনা-অমবু হুন্নদুনা লাইনীং লম্বেল লৈরক্ত্রবা মতমনি, পোলিটিক্সকী ৱাফমদি লাপ্পা থমখ্রসি।

অদুগা পনবা য়াবা ৱাফম অমনা আউটর মণিপুরগী ওজা অলফ্রেদ কানঙম এস অর্থরনা চীংমী অমা ওইদুনসু মীতৈ লৈবাক মণিপুরবু থম্মোয়দগী নুংশিজবা অমদি মীচং মীখাই নাইদবা, অচুম্বা পাম্বা মীওই অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোইদ্রা খঞ্জে। মহাক্না হৌজিক-হৌজিক ফোঙ-ফোঙ শাদুনা লৈরিবা মণিপুরগী পেন্দবা, নুংঙাইতবা, অৱা-অনা অমদি অৱাৎপা কয়ানা চিংবা ৱাহৈ কয়া অমা পার্লিয়ামেন্টতা মরীক চুম্না থন্বীদুনা মীতৈ লৈবাক মণিপুরবু অথুবা মতমদা কন্ননবগী পান্দমদা থৱায় হকচাংগা লোয়ননা অকনবা খোল্লাওনা লাউরম্বতা নত্তনা থা ১৫ চূপ্না অৱা-অনা নংদুনা মৈশা লাংদুনা লৈরিবা মীতৈ লৈবাক্কীদমক মিনট ১৫দা ওইরবসু মীৎয়েং থন্বীদুনা খজিক্তং ওইরবসু খন্থবীরদি অদুক্কী মতিক পেল্লমগনি হায়বনচিংবা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা পেন্দবা কয়া থম্মোয় শোক্না ফোঙদোকপীদুনা মখোয়গী অৱাৎপা শরুক অদো মশক খঙহনবীরম্লবনি। মসিনা তাকপদি য়েলহৌঙৈদগী হৌনা চীং-তম অনীমক ইমা অমত্তগী মচানি হায়বা ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্লবনি। মরম অদুনা ওজা অনী অসিনা পার্লিয়ামেন্টবু নিকহল্লম্বনি।

মরম অদুনা লৈঙাক্না ওইদ-পাদবা কয়া ঙাঙনৈ হায়বসি হন্দক্কী মতাংসিদা খঙজবা ঙম্মী। মদুদি ঐখোয়গী ইন্দিয়া অসিবু ঙাক শেন্দুনা পুবিরিবা অহল মতম ওইরবা তুংগী লম্বীনা শাংহৌরবা মাঙগী লম্বীনা তেনশিল্লক্লবা লৈঙাক মপু ওইবিরিবা পি এম মোদিনা মণিপুরগী মরমদা পার্লিয়ামেন্টতা অসুক্কী মতিক ওইদবা ৱাহৈ কয়া থন্বীরম্বা থেংনজৈ। মরমদি ঐখোয়গী মীতৈ লৈবাকসি মহৌশাগুম্না স্কুল, কোলেজ অমদি লোয়শঙনচিংবা খুদিংমক কাবা য়ারেঅমসুং পূক্নিং মরা তপ্না পাল্লে হায়বনচিংবা ৱাফম কয়া থন্বীদুনা ঐখোয় মীতৈবু শান্নপোৎকুম্না শীজিন্নরি। অসোমদনা সিতাগী মৈরিনা মৈৱাইদুনা ফোঙ-ফোঙ শাদুনা খোঙদাফম লৈতনা মীতৈ লৈবাক্কী ইচিল-ইনাওশিংনা অয়ূক-নুংথিল, নুমিদাং খায়দনা তূম্বা-চাবা খঙদনা ইরৈপাক ইরৈচাশিংবু কন্ননবগী হোৎনবদা খাঙঙমদবা চৈনা কয়া খাঙদুনা থৱায়না পোন্থা পীদুনা শেৎন-খায়নবগী মীকপ মীরাওখোলগী খোঞ্জেলনা চেন্থবা লেপত্রি। অসুম্না ইন্দিয়া লৈঙাক্না ঐখোয় মীতৈসে লাইধিবিগুম্না শীজিন্নদুনা লৈরিবসে ঐখোয়গীদি য়াম্না লাইবক থীবনি হায়জনীংই। মীৎ তাঙবনি, লোম্থোক্তবনি অমসুং নাপঙবগী লৈঙাকনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোইদ্রা খঞ্জে। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০১

১) **“অশাংবা ৱারী অসি ১৯৮৯দা ইখিবনি। খোৎনীংবগী মিহুল অমদগী পঙখোৎ খোৎখিবা হায়বদুনি পঙফ ফগদবা মান্দে।”** ৱাহৈ পরেং অসি শক্লাইরবা অইবা অমগী মমিং লৈরবা লাইরিক অমগী ৱাহৌদোক্তা ইবনি। অইবা অসি কনানো? লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

২) **“অতোপ্পা লাষ্ট বস অমা”** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো অমদি অইবগী মমিং হায়য়ু।

৩) **“লাম্মী অহুম”** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে? ওরিজিনেল রাইটর অমসুং লাইরিক্কী মমিং করিনো?

৪) **“তৎখ্রবা লংলা”** হায়রিবা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্নো?

৫) **‘হেলোয়গী ৱাশক”** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবগে? করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫,ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।